# মোদিনা যু পি ইনভেষ্টর্স সম্মিট হৌদোকখ্রে

## অদানি গ্রুপনা লুপা ক্রোর ৩৫,০০০ যু পিদা থাদগদৌরি



লক্ষনৌ, ফেব্রুৱারি ২১ (এজেন্সি): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী বুন্দেলখান্দ রিজনদা ডিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল কোরিদোর অমা শেমগৎপগী ৱাফম লাউথোকখ্রে।

ইনভেষ্টর্স সম্মিট ২০১৮ দা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, বজেটতা য়াওবা ডিফেন্স ইন্দষ্ট্রিএল কোরিদোর অনীগী মনুংদা অমদি বুন্দেলখান্দ রিজনদা শেমগৎলগনি। লুপা ক্রোর ২০,০০০ চঙনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিনা মীওই লাখ ২.৫ থবক ফংহনবা ঙম্লগনি।

উত্তর প্রদেশ গভর্নমেন্টকী তৌবা ঙম্বা মতিক-ময়াই শীংথারদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, হীরম খূদিংমক্তা খুমাঙ চাওশিন্নবগীদমক চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ অমসুং যু পিগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খূৎশম্নরগা মতিক চাবা থৌশিল শেমগদবনি।

যু পিদা ইনভেষ্টরশিংগী মীফম অমা পাঙথোকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, যোগি অদিত্যনাথকী লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা অনৌবা থাজবগী মঙাল অমা পীবা ঙম্লে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না হীরম কয়াদা মশক থোকপা থৌদাং লৌবা ঙম্বা তারবসু লমজিংবীবগা লোয়ননা মতিক চাবা থৌশিল শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা হায়খি মদুদি যু পি ইনভেষ্টর্স সম্মিটকী অহৌবা নুমিৎতা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর লাখ ৪.২৮ লোমগী ওইগদবা য়ানচে ১,০৪৫ সাইন তৌনরে। ফোরচুন-৫০০ দা য়াওবা কম্পেনি কয়া শরুক য়াদুনা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোকপা হায়বসি ষ্টেট অসিগী চাওথোকচনিংঙাইনি। হন্দক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর লাখ ৪.২৮ গী বজেট পুথোকখি। হায়রিবা শেনফম অদুগা চপ মান্নবা এম ও য়ু ১,০৪৫ তোঙান-তোঙানবা মালেম থাক্কী কম্পেনিশিংগা সাইন তৌনখিবা হায়বসি শীংথানিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি।

উত্তর প্রদেশপু ইন্দিয়াগী অতৈ চাউখৎলবা ষ্টেটশিংগা থাক মান্নহন্নবগী পান্দমদা ইনভেষ্টর্স সম্মিট অসি পাঙথোকপনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ফূদ প্রোসেসিং, ডেরি, হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল, এম এস এম ঈ, ইনফোর্মেসন টেক্নো-লোজি, ষ্টার্ট-অপ, ইলেক্ট্রোনিক মেন্যুফেকচরিং, ফিল্ম, টুরিজম অমসুং সিভিল এভিয়েসন চাউখৎ-হন্নবগী পান্দমদা মালেম থাক্কী ইনভেষ্টর্স সম্মিট অমা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপনি।

# লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা লৌখিবা লোন মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী লোয়নবীনা শিংখি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ (এজেন্সি): পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) তগী লুপা ক্রোর লীশিং কয়ামরুম অরানবা মওংদা লৌথোকখিবগা লোয়ননা বিলিয়ন্যের জ্বেলর অমা লৈবাক থাদোক্তুনা চেনখিবা তারবসু মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা লোনশিং শিংখিবগী থৌদোক কয়া লৈবাক অসিদা থোক্তবা নত্তে। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা পি এন বিদগী লৌখিবা লুপা ৫,০০০ গী লোন মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী লোয়নবীনা মতম চানা শিংখি হায়রি।

থৌদোক অদুবু নৌহৌনা নীংশিংলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্বা শাস্ত্রিগী মচানুপা অনিল কুমার শাস্ত্রিনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি মতম অমদা লাল বহাদুর সাস্ত্রিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মশাগী ওইবা কার অমত্তা লৈখিদে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা কন্না তকশিনবদগী কায়নথংদা কার অমা লৈনবা থৌরাং তৌখি। মতমদুদা পাম্না তোংনবা ফিয়েট কারগী মমল কয়া পীবগে খঙনবা মহাক্কী সেক্রেটরিদা য়াথং পীখি। কার অমগী মমল লুপা ১২,০০০ নি হায়বা খঙলবসু শাস্ত্রিগী মখূৎতা শুপ্নগী লুপা ৭,০০০ খক লৈরম্মী। পি এন বিদা মহাক্না লুপা ৫,০০০ গী লোন পীবীনবা হায়জবদা শুপ্নগী পুং ২ খক্কী মনুংদা লোন পীরকখি। শাস্ত্রিদা লোন পীরকখিবা ওফিসর অদু খুদক্তা কৌখৎলগা মতৌ অসুম্না অতোপ্পা মীওইদসু অতেনবা মতমগী মনুংদা লোন পীবগী থৌওং চথুব্রা হায়না হংখি। অচৌ-পিশক নাইদনা মীপূম খূদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি হায়নসু ওফিসর অদুদা পাউতাক পীখি হায়রি।

লোন শিংবা লোইদ্রিঙৈদা শাস্ত্রি লৈখিদবা তারবসু মহাক্কী লোয়নবী ললিতা শাস্ত্রিনা অৱাৎপা শেনফম অদু অমত্তা চিথুদনা শিংখি হায়রি। কুমজা ১৯৬৪ মোদেলগী ফিয়েট কার অদু হৌজিকসু দিল্লিগী মোটিলাল নেহরু মার্গতা লৈবা লাল বহাদুর শাস্ত্রি মেমোরিএলদা মীয়াম উনবা থম্লি।

থৌদোক অদুগা য়াম্না তায়োন্নবা মওংদা হন্দক পি এন বিদগী য়াম্লবা শেনফম অমা অরানবা মওংদা লৌথোক্লম্বগী ৱাথোক থোরকখি। বিলিয়ন্যের জ্বেলর নিরাব মোদি চেন্নবা লুপা ক্রোর ১১,৪০০ লোন লৌথোকখ্রগা শিঙ্গৎলক্তবগী ৱাথোক অমা থোকখিবগী পাউ মরুওইবা পাউচেশিংগী অহানবা লামায়দা ফোঙনরকখি।

ৱাথোক অসিদা মপূং ওইনা চেন্নে হায়রিবা নিরাব মোদি অমসুং গীতাঞ্জলি জেমসকী চ্যেরমেন মেহুল চোকসি জন্যুৱারি থাদা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী। চৈরকসিদা ইনফোর্সমেন্ট ডিরেক্টোরেট (ঈ ডি) অমসুং সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা নিরাব মোদি অমসুং গীতাঞ্জলি জেমসকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াদা থিব-হুম্বগী থবক চথুরি। অমরোমদা, সী বি আইনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা পি এন বিগী জেনরেল মেনেজর থাক্কী ওফিসর রাজেশ জিন্দাল ফারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।





# লুপা ক্রোর ১৮৫০ গী ডিফেন্সকী পোৎলম লৈনবা ডি এ সীনা অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ (এজেন্সি): য়ুনিয়ন ডিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা লূচিংবা ডিফেন্স এক্বিজিসন কাউন্সিল (ডি এ সী) না লুপা ক্রোর ১৮৫০ গী খূৎলায় লৈনবগী থৌরাং অমা অয়াবা পীখ্রে। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা মেকানাইজ ইনফেনট্রি অমসুং অতৈ আর্মস সর্ভিসকীদমক ইনফেনট্রি কম্বেট ভেহিকল (বি এন পি-২/২ কে) লৈগদৌরি।

আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকীদমক ইনফেনট্রি কম্বেট ভেহিকল অমসুং অতৈ খূৎলায়শিং লুপা ক্রোর ১,১২৫ চঙনা ওর্দিনান্স ফেক্টরি বোর্দতগী লৈগদৌরি। প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি) না থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, ইন্দিয়ন ওসিনদা চথুবা হায়দ্রোগ্রাফিক ওপরেসনদা ইন্দিয়ন নেভিনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মরম অদুনা নেভিগী থবক থৌরমদা মতেং পাংশিনবা ওইনা সর্ভে ট্রেনিং ভেসেল (এস টি ভি) অমা লৈরগনি।

মমাঙ থাদা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়ন নেভিগী পর্সনেলশিং ট্রেনিং তৌনবগীদমক পি-৮১ ট্রেনিং সোল্যুসন লৈনবা থৌরাং অমা অয়াবা পীখ্রবনি। লুপা ক্রোর ১,৯৪৯.৩২ চঙনা চাইনাদগী পি-৮১ ট্রেনিং সোল্যুসন লৈবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওইনসু পি-৮১ এয়রক্রাফট লৈনবা থৌরাং লৌখৎখি।

মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২৭ তসু ডি এ সীনা ইন্দিয়ন নেভেল সিপশিংদা শীজিন্নবা লুপা ক্রোর ২০০ গী পোৎলম লৈনবা থৌশিল অমা অয়াবা পীখ্রবনি। ডিফেন্স রিছর্স ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ডি আর ডি ও) অমসুং কোচিদা লৈবা নেভেল ফিজিকেল এন্দ ওসিনোগ্রাফিক লেবোরেটরিদা এন্টি সবমেরিন ৱারফ্যেরদা শীজিন্নগদবা খূৎলায় কয়ামরুম শেমগৎনবগী থৌরাং অমসু অয়াবা পীখি। ডিফেন্স মিনিষ্টরনা কেপিটেল এক্বিজিসন স্কীমশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা স্কীম পূম্নমক অপীবা মতমগী মনুংদা মতম চানা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

ডিফেন্সকী পোৎলম লৈনবগী মতাংদা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা বোদি ওইরিবা ডি এ সীনা আর্মিগী আরমর্দ ফাইটিং ভেহিকলশিং মতমগা চুনহন্নবগী পান্দমদা লুপা ক্রোর ২,৪০০ চঙনা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপগী ৱাফমসু অয়াবা পীখ্রবনি।

নুমিদাংগী মতমদা ওপরেসন চথুবদা খুদোংচানবগীদমক আরমর্দ ফাইটিং ভেহিকলশিং মতমগা চুনহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। আরমর্দ ভেহিকলশিং মতমগা চুনহনবা তারবদি আর্মিগী মতিক-ময়াই হেনগৎহনবগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা ওপরেসন চথুবদা খুদোংচাবা হেল্লগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা অরুন জেটলিনা ডিফেন্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদসু লুপা ক্রোর ৪০৬ চঙনা কেরিয়র কম্মান্দ পোষ্ট ভেহিকলশিং লৈনবগী থৌশিল অমা ডি এ সীনা অয়াবা পীখ্রবনি। ইলেক্ট্রোনিক কম্মান্দ অমদি কন্ট্রোল সিষ্টেম য়াওবা কম্মান্দ পোষ্ট ভেহিকলশিংগা য়েক্নবগা লম্বা পাবদা আর্মিগী মতিক-ময়াই হেনগৎহল্লগনি। হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন আর্মিগী ওইনা কেরিয়র কম্মান্দ পোষ্ট ভেহিকল ২৫০০ লৈরি। মসিগী মথক্তা মতমগা চুনবা মখলগী ভেহিকল কয়ামরুম লৈশিন্নবা ডি এ সীনা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।



# পাকিস্টাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান অমা শিরে

শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ২১ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুকৱারা ডিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্টাননা সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী জৱান অমা শিখ্রে।

বি এস এফকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, পাকিস্টানি আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) ৱাংমদগী তংধার এরিয়াদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা জৱান অমা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতসু পাকিস্টানগী লান্মীশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বরামুলা ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা য়ুরি সেক্টরদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচম অহুম অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। ফেব্রুৱারি ১০ দসু রাজোরি ডিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্টাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা নুপী অমা শিখি। নুমিৎ অদুগী নুমিদাং পুং ১০.৩০ তাবদা পাকিস্টানগী লান্মীশিংনা নাওসেরা সেক্টরদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পর্বিন অখতার কৌবী নুপী অমা শিখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তংধারদা এল ও সী ৱাংমদগী পাকিস্টাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফ কী জৱান অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। মহৌশাগী মতৌগুম ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিঙৈদা খঙহৌদনা পাকিস্টানলোমদগী কাপ্লকপা নোংমৈ মৱ্ন অমনা পানবদা জৱান অদু অশোক-অপন নংখিবনি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাদসু জম্মুগী আর এস পুরা সেক্টরদা পাকিস্টাননা ইন্দিয়াগী বোর্দর পোষ্ট তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী হেদ কনষ্টেবল অমা শিখ্রবনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনল বোর্দর (আই বি) অমসুং এল ও সীদা লানগী মতৌগুম য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রবনি।

পাকিস্টানগী লান্মীশিংনা সীজফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা বি এস এফকী হেদ কনষ্টেবল অদু টামিল নাদুদগী এ সুরেশ (৪২) কৌবা মীওই অমনি। থৌদোক অদুদা দুব্রে (৩১) কৌবা অতোপ্পা বি এস এফকী জৱান অমা অমসুং মীচম অহুমসু অশোক-অপন নংখি হায়রি।

# দিল্লিদা এ এ পি অমসুং ব্যুরোক্রেটশিং মখা তানা মুক্নরি; প্রকাশ জারুৱাল ফাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ (এজেন্সি): দিল্লিগী চীফ সেক্রেটরি ফুখিবগী ৱাথোক্তা মরী লৈননা আম আদমী পার্টি (এ এ পি) গী এম এল এ প্রকাশ জরৱাল দিল্লি পুলিসনা ফাখ্রে। দিল্লিদা লৈঙাক পায়রিবা এ এ পি অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংগী মরক্তা অকনবা ৱাহৈগী লান শোক্নখ্রবা মতুংদা জরৱাল ফাখিবনি।*

*হীরম অসিগী মতাংদা এ এ পি দিল্লি য়ুনিটকী চীফ স্পোক্সপর্সন সৌরব ভারদ্বাজনা হায়খি, করিগুম্বা মখলগী খুদম-চাংদম অমত্তা য়াওদনা এম এল এ অমবু দিল্লি পুলিসনা ফাখিবগী থৌওং অদু য়ানিংদে। সেক্রেটরিয়েটতা মিনিষ্টর ফুখিবা আই এ এস ওফিসরশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক অমত্তা লৌখৎত্রগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা মীখলদা মায় পাল্লক্নবা এম এল এ অমবু তরাই তরাই ফাজিনখিবা থৌওং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মিনিষ্টর ফুখিবগী মতাংদা মশামক্না এফ আই আর ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা ভিদিও ক্লিপ্পিং উৎতুনা খুদম-চাংদম পুথোক্লবসু চেন্নবা আই এ এস ওফিসর অমত্তা ফাখিদে।*

*লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আম আদমী পার্টিগী এম এল এ অমনাতুলা খান অমসুং অতৈ মীওই খরনা চীফ মিনিষ্টরগী রেসিদেন্সতা চীফ সেক্রেটরি অন্সু প্রকাশ ফুখি হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা লেজিসলেটর অমসুং ব্যুরোক্রেটশিংগী মরক্তা চাওনা মুক্নবা থোরকখিবনি। আই এ এস ওফিসর ফুখিবগী মতাংদা এফ আই আর ফাইল তৌদুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা তকশিনখি।*

*অমরোমদা, এ এ পিগী লূচিংবা জরৱাল অমসুং অজয় দত্তনা হায়খি মদুদি দিল্লিগী চীফ সেক্রেটরিনা কাঙলূপ নাইবা মওংদা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নখিবগীদমক দিল্লি পুলিস অমদি নেসনল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল্ড কাষ্টতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখ্রে।*


*দিল্লিগী চীফ সেক্রেটরি ফুখি হায়বা থৌদোক অমগা মরী লৈননা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাইজালদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মিনিষ্ট্রিনা থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালগী ময়ূমদা চীফ সেক্রেটরি অন্সু প্রকাসপু ফুখি হায়বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি।*

*ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, দিল্লিদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পাউ ফংবা তারবসু মপূং ফাবা রিপোর্ট ফংদ্রিবা মরম্না খুদক্তা থবক লৌখৎপা ঙমদে। মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেট ওফিসর অমগী মথক্তা চথুখিবা থৌওং অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে।*

*চীফ সেক্রেটরি প্রকাসপু কেজ্রিৱালগী ময়ূমদা এ এ পিগী এম এল এ অমনা উশিৎ থৌওইদবা মওং উৎখিবগা লোয়ননা তমথীনা ফুখি। এম এল এ অহুম-মরি চঙশিন্দুনা চীফ সেক্রেটরিদা চথুখিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই হায়না আই এ এস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি। চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনদি এম এল এ খরনা চীফ সেক্রেটরি ফুখি হায়বা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোরকখি।*

*এম এল এ খরনা চীফ সেক্রেটরি অন্সু প্রকাসতা চথুরকখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাইজালনা চেন্নরিবা এম এল এশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না দি এন সিংহনা ফোঙদোকখি।*

# রাম টেম্পলগা মান্নবা মওংদা অযোধ্যা রেলৱে ষ্টেসন শাগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনোজ সিনহানা ফোঙদোকখ্রে





অযোধ্যা, ফেব্রুৱারি ২১ (এজেন্সি): রাম টেম্পলগী মওং লৌরগা অযোধ্যাদা রেলৱে ষ্টেসন শারগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনোজ সিনহানা ফোঙদোকখ্রে। অযোধ্যা রেলৱে ষ্টেসন অমসুং অতৈ প্রোজেক্টশিংগী উরেপ-উযুং তম্বগী থৌরমদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অযোধ্যাদা রেলৱে ষ্টেসন অমা শানবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ৮০ কাইথোকপা লৈখ্রবনি। উরেপ-উযুং তম্বগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, অথুবা মতমদা রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা য়ুনিয়ন কেবিনেটতা প্রপোজেল অমা থাঙ্গৎতুনা রাম টেম্পলগা মান্নবা মওংদা অযোধ্যা রেলৱে ষ্টেসন শেমগৎনবগী ৱাফম পুখৎলগনি।

রেল লম্বীনা অযোধ্যাগা ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফম পূম্নমক্তা শম্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না পল্লদুনা মনোজ সিনহানা হায়খি তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা ট্রেন তোংলগা অযোধ্যাদা রাম খুরুম্বা লাকপা য়ানবগীদমক অযোধ্যা অমদি অতৈ মফমশিং রেল লম্বীনা শম্নহল্লগনি। অযোধ্যা রেলৱে ষ্টেসন শাবগী ৱাফম অসি অতল বিহারি বাজপায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদগী হৌনা খন্নদুনা লাকখ্রবনি। রেলৱে ষ্টেসন শাবা হেক লোইবগা রাম টেম্পল শাবগী থবক পায়খৎপা হৌগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙ-দোকখি। উত্তর প্রদেশকী খোঙচৎতা লৈরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ২০০ রোমগী তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিং ষ্টেট অসিদা পায়খৎপগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, য়েৎনরিবা বাব্রি মসজিদ - রাম জন্মভূমিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পর্সনেল লো বোর্দকী মেম্বর মৌলানা সয়ীদ সলমান হুসেনি নদবিনা মোস্ক হোংদোক হোংজিন তৌবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ꯂꯩꯉꯥꯛ ...

## লন্নাই মীওইনা ঈশিং য়েনখিবা নত্তে

বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱাটর সপ্লাই স্কীমগী পাইপ হোংদোক হোংজিন চথুরিঙৈদা ঈশিং পীবা ঙমখিদবদুগী অৱাবা কোক্নবা বিষ্ণুর ৱার্দ নম্বর ৩ দা ঈশিং য়েনখিবদু লন্নাই মীওইনা য়েনখিবা নত্তে। বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱাটর সপ্লাই গাড়ীনা মীয়ামগী খল্লগা য়েনখিবা ঈশিংনি।

**Verified by :**
Executive Engineer
Bishnupur Municipal Council
MAHUD Department

**Sd/- M. Bimola Devi**
Councillor, Ward No. 3
BMC

HL-P/606/22

## মহমদ রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



Zomi Villa Gate, North A.O.C. Awang B.O.C. Traffic Mamang, Minuthong Road তা লৈবা Contact Nos. ☎ **9862264404, 8974333795,** Cairopathic Treatment গী ওজা **Mohd. Riyajuddin** বু থাগৎচরি। ঐহাক মতম শাংনা দাইবেটিস অমদি পাইলসনা নাদুনা মতম শাংনা ৱানা খাঙদুনা লৈরক্লবনি। অদুবু ঐখোয়গী ওজা অসিগা তানবদগী হৌজিক্তি মপুনা থৌজানবীদুনা য়াম্না নুংঙাইজরে। ওজা ইবুংঙোবু মপুগী মীংদা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা :* **Mr. Arun**
***Game Village***

HL-P/550/22

## ꯁꯦꯟꯇꯔ ꯁꯏꯑꯦ/ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরগী মতাংদা ৱাফম খরা

হৌখিবা কোংগ্রেস সরকারনা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর তাং ৮ দা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমখি। মদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টসু য়াওখি। দিষ্ট্রিক্টকী মমীংশিং অসি হান্নদগী হৌনা হেদ ক্বাটরগী মমীং লৌরগা থোনবনি। মতমদুদা শুগ্নু কেন্দ্রগী এম এল এ ওইবীরিবনা তুমদুনা লৈহৌরগা হৌজিক্না খুন মশেল খৎননবা ইনশিনবা অসি দরতি পোলিটিক্স তৌবনি হায়বা মীয়াম্না খঙই।

ঐ শ্রী খুমুকচম রঘুমনি সিংহ, প্রসিদেন্ট বি জে পি, ককচিং দিষ্ট্রিক্টনা ওনরেবল মিনিষ্টর রেভিন্যুদা ইজখিবা চেরোলগী ৱাহন্থোকশিং অদু মীয়ামদা খঙহঞ্জরি। মদুদি হৌজিক অসি বি জে পিনা লুচিংবা গর্ভনমেন্টনা মণিপুরগী লৈঙাক চুপ্পি পায়রি হায়বসি মীয়ামদা হান্না থমজরি। হৌখিবা তাং ৮/১২/২০১৬ ইংদা মমাংদা পাল্লম্বা কোংগ্রেস গভর্নমেন্টনা দিক্কার তৌবিরল্লবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌজিক হৌজিক দি সী অমদি এস পি থমদুনা মণিপুর গভর্নমেন্টকী পোলিসি অমগী মখাদা ফঙ্কসন তৌদুনা লৈরিবনা মিনি-সেক্রেটরিয়েট অমা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী কমপ্লেক্সতা শাবীনবা হায়জখিবনি। ঐ ইশামক্তি হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন পোলিসি খুদিংমক্তা সপোর্ট তৌই অয়েৎপা অমত্তা লৈতে। সরকারসিনা এদমিনিষ্ট্রেসন নুংঙাইনবা ৱাইখোং থোংজাও নৎত্রগা সেরৌদা থম্লিংবা অমদা থল্লকপদা পুম্নমক অদু সরকার অসিগী দায়ত্বনি।মসিদা ঐগা মরি অমত্তা লৈনদে হায়বসি মীয়ামদা খঙহঞ্জরি। হৌজিক লৈরিবা দি সী ওফিস অসিগী কন্দিসনগী মখা পোন্না কনষ্ট্রক্ট ৱার্ক অমা পায়খৎপীনবা হায়জবদনি। অদুনা হৌজিক চথুরিবা এসেম্লী সেসনগী হৌখিবা তাং ১৪/২/২০১৮ ইংদা সুগ্নু কেন্দ্রগী ওনরেবল এম এল এ কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম **"মিষ্টর রঘুমনি কৌবা মসি কদাইদগীনো খঙদে, ককচিং খুনৌদগীনি হায়, শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইদগীনিসু হায়, ঐগী কেন্দ্রদা ভোট লেপকনিসু হায়"** হায়দুনা ঐবু এসেম্লীগী ফ্লোরদা ঐগী মীং পন্দুনা ঙাংখিবা অমদি খুদক্তা ৱিদ্রো তৌখিবা অদু সুগ্নু কেন্দ্রগী প্রজা মীয়ামগী অচৌবা লাইবক থীবনি। মতুংদা এসেম্লীগী কাঙলোন ঙাক্না ঙাংহঞ্জনিংই। লোয়ননা হৌখিবা তাং ১৬/২/২০১৮ ইরাই নুমিৎতা ওল ককচিং খুনৌ ৱেলফ্যেয়র এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্নি হায়না হায়জবা মীওই খরনা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খুথাংদা ঐবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা অমদি পোলিটিকেল কেরিয়র মাঙহন্নবা হোৎনবা অসি খ্বাইদগী লাইবক থিবা থৌওংনি লোয়ননা ককচিং খুনৌদা পোকচবা, লৈরিবা ঐবু এসেম্লীদা লান্না পুথোকপীখিবা অসি ইচম চম্বা অঙাংমচাগুম্বনদি হায়রকপা য়াই কেন্দ্রগী এম এল এ অমনা হায়রকপসিদি ইকাইনিংঙাইনি। এম এল এ কে রঞ্জিৎনা এসেম্লীগী ফ্লোরদা অমুক্কসু ঐবু **'ককচিং ডিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর অসি ৱাইখোং থোংজাওদা করিগুম্বা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসে ফঙখিবা তারগদি নংনা হয়েং সুগ্নু কেন্দ্রদা ভোট লেপ্পদা রঞ্জিৎপু মায়থিবা পীবা ঙম্লোই হায়না থেল্লগা শোই তৌহনবনি হায়না তাই'** হায়না এসেম্লীদা পুথোকখিবসে করিগুম্বা ফিভম অমদা ককচিংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর ওইখিবা থোক্লবদি রঞ্জিৎ মশানা থোকহনবা নত্তে রঘুমনি ঐনা থোকহনবনি হায়না মীয়ামদা খলহন্নবা মীয়ামদা এম এল এ রঞ্জিৎনা উৎ চাইবনি। মসিদা ককচিংগী এম এল এগা ঐগা করিগুম্বা মরি অমত্তা লৈনদে, ফোর্সতা সহি তৌখিবসু লৈতে।

অরোয়বদা, ঐনা হায়জনিংবদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগী মতাংদা মীয়ামগী ঈহুল খঙদনা থবক তৌগদবা মীওইদু ঐদি নত্তে। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগী মতাংদা ককচিং কেন্দ্রগী এম এল এগা ঐগা হীরম অমত্তদা মরি লৈনদে, নম্ফুদা শোই তৌখিবসু লৈতে। মসিদা সুগ্নু কেন্দ্র অমসুং মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না যুম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিংসি থাজবীদনবা খঙহঞ্জরি। ঐনা সুগ্নু কেন্দ্রগী প্রজা মীয়ামদা নোল্লক্না হায়জনিংবদি চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপগী হীরম খুদিংমক্তা রাজনিতিগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা কনাগুম্বা খরনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নরকপা মতমদা সুগ্নু কেন্দ্রগী প্রজা মীয়াম্না অসিগুম্বা মীওইশিংদগী লাপ্না লৈবিনবা আপিল তৌজরি।

*Sd/-* **Kh. Raghumani Singh**
*President,* BJP Kakching District

HL-P/5020/22